## এডিটোরিয়েল

# ইকায়খাংগী খোঙজং তাহনগুমসি

*য়েলহৌঙৈদগী তম্মী অমদি চীংমীগী থোইদোকপা মশক অমা লৈ। তম্মী হায়বনা তম্পাক্কী লৈতেম মান্নবা অনেম্বা শরুক্তা লৈবা মীওইশিংনি লোয়ননা চীংমী হায়রগনা লোইবী চীংশাং অৱাংবদা খুন্দা লৈতাদুনা মতম কুইনদগী লৈরক্লবা মীওইশিংনি হায়বা তাই। নিংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী তম্মীগা চীংমীগা চান্ন-চিন্ননা লৈমিন্নরকই হায়বসিসু পুৱারীনা খুদম ওইরি। করিগুম্বা মতম মতমগী ওইবা ঈশু খরদা চীংমীগা তম্মীগা ৱাখল মান্নদবনা মরম ওইদুনা অঙম তান্দুনা লাল তৌনদুনা ৱারোইশিন পুরকখিবগী তাঙ্কক কয়াসু নিংথৌরোলগী ৱারী লাইরিক্তা থেংনৈ। কনানা ঙম্মী, কনানা মায়থিখিবা পুৱারীগী থৌদোক ৱাথোকপু খোইখা লিনখা থাদুনা ঙসিগী মীরোলনা লম্মন খুম্নিংবগী মমি খরা হন্দক মরক চীংমীশিংগী মরক্তা উরক্লিবসি য়াম্না লাইবক থিবনি হায়না লৌবা তাই। চীংগী ফুরুপ অমনা ইউনিটি শাগৎলকপদা অতোপ্পা ফুরুপ অমবু য়েক্লবগুম উহন্দুনা ব্রেন ৱাশ তৌবগুম্বগী চৎনবীসিদি খ্বাইদগী থাক নেম্বা কাঙলুপ, ফুরুপশিংগী য়াম্না চাওখৎতবা ৱাখল্লোননি। ঙসিমক অদুগুম্বা চাওখৎখিদ্রবা ৱাখল্লোন অদুনা লমদম অসিবু তংদু লৈতাহন্দ্রিবসি কনাগী মরাল ওইবা য়াই হায়বসি কুপ্না নৈনবা মথৌ তারিবনি। পুম্নমকসি সরকারগী লায়থোকপা য়াদ্রবা লৈঙাক্লোনগী শরুক ওইখ্রসনু।*

*ঙসিসু কম্প্যুটরগী এজসিদা অশিংবা অপঙবা হেক্তা লায়না খঙবা ঙম্বগী শক্তি লৈরে খঙনরবা মতমসিদা অপঙবনি খন্দুনা নম হাদুনা ব্রেন ৱাশ তৌগনি খল্লিবশিংনা মখোয়গী মশাদা লৈজরিবা ইগো অদুগীদমক্তা মীনুংশি ফাওনরক্লিবসি তশেংনা মখোয়শিং অসি ইনশিল্লগা চৎপা মশাগী ৱাখলনা পোরম শীনবা হৈতবা শিংদ্রিবা মীওইশিংনি খঙবদগী ওইরম্বসু য়াই। নোংথক্তা তীন শিংকৎলগা মাইদা তারক্লোই হায়নিংঙাই লৈতবনা তপ্না তপ্না ইকাইরকপদগী মখোয়গী ৱাখল তারকখিগনি হায়বসিসু মশানা তাজরবা ৱাফম ওইবা য়াই। মখোইদৌ থীৎলবা পাকিস্তান্না ইন্দিয়াবু কল্লকপগুম ঙসিগী অপঙবতা তারবা য়েলহৌমী ওইবা মীওই কাঙলুপ খরনা তম্মীবু পংশাওদা শাওরিবসি হিরম খুদিংদা মখোয়দগী থাক ৱাংই খনবদগী য়েলহৌমী করম্বা কাঙলুপশিংবু কোনশিন্বগে হায়বা খঙদোক্লবা অরেম্বদা চংশিন্না খোঙজং অমা ওইবসু য়াই। মণিপুরগী পুৱারীদা করম্বা চীংমী নিংথৌগী মখাদা তম্মীশিংনা হিংলম্মী হায়বসি হঙ্গৎনা য়েংবা ফগনি। অরোইবদা শীখাং খাংবগী হৈনবী থাদোক্ত্রিফাওবা অশিংবা ওইবা ঙমখিরোই অমসুং য়েলহৌমীগী ৱাহন্থোক খঙলকপা মতমদা হান্না শিংহৌদবগী ইকাইবদুনা কোক হাইগৎপা ঙমদনবা মরম ওইবসু য়ারিবনি হায়বসি মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং লান্না ৱাহন্থোক পীরিবা ঙসিগী লুচিংবনি হায়জরিবশিংনা খন্থবা ফৈ। য়েলহৌমী ঙাক্লবা বিল অহুম পাস তৌখিবদু ঙসিগী মণিপুরদা খুন্দামিন্নরক্লবা মীওই কাঙলুপ পুম্নমক্কী লাইরিক লাইশু হৈরবা মীওইশিংদি খঙবনিনা মদুদা ৱাখল চংদে। মণিপুর য়েলহৌমী ফুরুপকী ত্রাইব অমনি হায়বনা খুদোংচাবা ফংলিবনি হায়বসি কাওদবা ফৈ।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

# বিল অহুম হন্দোকপা তারগদি মণিপুর মৈ চাক্লবগী বার্ত্তন তৌবনি

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

মণিপুরগুম্বা পীকখ্রবা ষ্টেট অসিদা মীওই খুজোক খরনা লমদম অসিগী পীকখ্রবা লৈমাই মচেৎশিবু শায়েন ঙায়েন্নবগী থৌওং কয়া চথরক্লিবা অসি তশেংনা ঙক্তবা ঙমদে। লোয়ননা অসিগুম্বা ফান মচি অমদা ফম্লম্বদগী অতোপ্পা ফমিন্নরিবা মীগী মথক্তা নমদুনা হিপচল্লকপগী থৌওং অসিবু লুপ অসিনা তরাইনা খক লৌদে। লোয়ননা ষ্টেট লৈমাইদগী য়েৎতুম মনা অমগী লম ফাওবা লৈবাক অসিগী অঙম-অথৌ অমত্তনা কন্দিসন অমত্তদা নেগোসিয়েসন তৌবা য়ারোই। চহি চা কয়া ইংনা চিক্লা খুন্দামিন্নরক্লবা ফুরুপশিংগী মরক্তা শীংচেপ থাজিল্লকপা মানবা থাজদবা থৌওং কয়া থোরক্লিবসি কদোমদগীনো হায়বসি মীয়াম হুপ্না কুপ্না থিগৎপগী মতম ওইরে। অসিগুম্বা মীওই খরসিনা মৈহৌরোলদগী ঙাক্তুনা থল্লকপা চীং-তম অনিগী অপুনবা শক্তম্বু শিংনরক্লিবা অসি ঐখোয় খুদিংমক্লা মুন্না থিদোক্তুনা খঙদোকপা দরকার ওই। লোয়ননা মীওই কাঙলুপ অমত্তংগী লন্নাসগী ইন্টরেষ্ট য়েংদুনা চৎথরকপা থৌওং অমত্তা লুপ অসিনা য়াবা ঙম্লোই।

চহি চা কয়া মণিপুরগী মীয়াম্না লমদম অসিগী য়েলহৌমী কঞ্জনবা মীয়াম্না য়াবা আইন অমা শেমদুনা চৎনহনগদবনি হায়দুনা চুম্বা-চাবা খংদনা, শিবা-নাবা কীদনা চংল্লিকখিবা শাংলবা খোঙজং পরেং অমগী ফল ওইনা মণিপুর সরকারনা লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংগী ইহুল খঙলক্তুনা হৌখিবা আগষ্ট কী তাং ৩১ দা মীয়াম্না পাম্বা বিল ৩ খক পাস তৌখ্রবা মতুং অসিদা বিলশিং অসিগী ৱাহন্থোক মুন্না খংনহৌদবদগী নাকল অমরোমদা ঈহৌ কয়া শাগৎতুনা মীওই খরগী পুন্সিবু পীখম্নখ্রে। মসিগী মতুং তারকপা কুকি ইনপিগী ইচিল ইনাওশিংগা ফম্মিন্নদুনা ৱাখল তামিন্নবা অমদি য়ানবা অমা পুরক্লবগী, হোৎনবগী খোঙথাং অদুবুদি লুপ অসিনা তরাম্না ওকই। তৌবতবু লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংগী অপাম্বগী মায়োক্তা সরকার অসিনা লেপ্তুনা মরৈ অনি লোংদুনা য়ানদুনা পাস তৌখ্রবা বিলশিং অসি মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা শেমদোক শাদোকপা নত্রগা ৱিথদ্রো তৌনবা হোৎনরক্লবদি মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা থিংবা ঙম্লোইদবা মৈজাও থোকনবগী বার্তন তৌবনি হায়বসি সরকার অসিনা খক কাওরোইদবনি। লোয়ননালমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক্লা অমত্তা ওইনা নুংশি-চান্না লৈননবগীদমক্তা থাংলকপা খোংথাং খুদিংমক্তা লুপ অসিনা থৱাই হকচাং য়াওনা শৌগৎলি।

মখা তারকপদা পাস তৌখ্রবা বিলশিং অসিবু খুদক্তা এক্ত ওন্থোক্তুনা চৎনবা হৌনবা মণিপুর সরকারনা মরী লৈনবশিংদা তকশিনফম থোকই।

*অদোমগী*

*অথৌবা মীতৈ* ( চিফ কো-ওর্দিনেটর)

মীতৈ ইন্টরনেসনেল সিভিক এক্সন নেটৱার্ক, খুরাই

# ইন্দষ্ট্রিগী চাওখৎ-খোঙথাংদা টেক্নোলোজী অমসুং ইন্নোভেসন

মালেমগী লৈচাওরোলগী পুৱারীদা ইন্দষ্ট্রিনা চাওখৎ-খোঙকাপ য়াঙখৎহন্বগুম্না ইন্দষ্ট্রি লাকখিবগী পুৱারীদা টেক্নোলোজি অমসুং ইন্নোভেসন্না ইন্দষ্ট্রিদা নত্তনা মালেমগী লৈচাওরোলগী খোঙকাপ য়াঙখৎহল্লি।

টেক্নোলোজি হায়বসিগী শন্নপ্পা ৱাহন্দি, করিগুম্বা থবক অমা পাঙথোকপদা সাইন্টিফিক ওইবা লৌশিং শিজিন্নদুনা থবক ওন্থোকপা াঅদুনি। মসি গ্রীক ৱাহৈ 'টেক্নোলোজিয়া' হায়বা অদুদগী লাকপনি। মদুগী ৱাহন্দি, পান্দমগী ওইবা থবক পাঙথোকপদা নত্রগা পোৎলমশিং পুথোকপদা হৈথোই-শিংথোইবা (স্কিল), মহৌশা নত্তবা মওংগী হৈ-শিংবা (আর্ট) অমসুং খুৎকী শুক্ষৎনিংঙাই ওইবা মওংগী হৈ-শিংবা (কন্নিং) শিজিন্নদুনা কাঙলোন নাইনা থবক পাঙথোকপা অদুবুনি। মসিবু চথরিবা থবক থৌওংশিং অমসুং তোপ-তোপ্পা হৈ-শিংবগা লোয়ননা পাঙথোক্লিবা থবক থৌওংশিং হায়বদি টেক্লিকনচিংবগী লৌশিং ওইহল্লি নত্রগা অদুগুম্বা থবক থৌওংশিং পাঙথোকপগী অকুপ্পা লৌশিং লৈতবা মীওইশিং ফাওবনা ওপরেট তৌদুনা শিজিন্নরিবা মেছিনশিং, কম্প্যুটরশিং, খুৎশু-খুৎলাইশিং অমদি থবক শুফম ফেক্টরিশিংদা পানশিন্বা হাপচিন্বা য়াই।

মীওইবা খুন্নাইনা টেক্নোলোজি শিজিন্নবা হৌরকখিবগী পুৱারী অসিদি অদুঙৈগী মহৌশাগী ওইবা পোথোকশিংবু ইচম চম্বা খুৎলাইশিং ওইনা ওন্থোরকখিবগী পুক্লিং নুংশিরবা মালেমগী পুৱারী তাঙ্ককশিং অদুদগী হৌখিবনি, অদুঙৈগী পুৱারী ইবা হৌদ্রিঙৈ মতম (প্রিহিষ্টরিক) দা মৈবু কমদৌনা শিজিন্নগদগে অমসুং করম্না খুদুম চনশিন্দুনা থমগদগে হায়বগী লৌশিং অমসুং মখা তারকপা নুংগী চক লোইশিল্লকপা হায়বদি নিওলিথিক চক্কী য়াওল ঈহৌনা মীওইবগী চিঙ্গাক মতিক চানা ফংহন্বগী মতিক-মঙম হেনগৎহনখিবা অমদি মীওইবনা লম চৎপা-কোয়বদা কাঙখোং পান্বা খুৎলাইশিং পুথোকখিবা অমসুং মীওইবনা মশাগী অকোয়বগী ফিভমশিংবু লাকশিন্দুনা থম্বা ঙম্বগী লৌশিং পুথোকখিবা অসিমক্লা টেক্নোলোজিগী কৈথেলদা খুৎ লামখাং কৌখিবনি, পুৱারী লৈরবা মতমগী মনুংদা চাওখৎ-খোঙকাপ ওইনা পুথোরকখিবা লাইরিক নম্নবা প্রেস, টেলিফোন অমসুং ইন্টর্নেটনচিংবা য়াওনা অতৈ পুথোকখিবা পোৎশকশিংনা ঈ-পাউ ফাওনবগী শম্বলশিং শমদৎখিবনি অমসুং মীওইবা খুন্নাইবু মালেমগী থাক্তা অমগা অমগা শম্নহন্দুনা খুন্নাইগী ওইবা মতিক মগুন ৱাংখৎহনখিবনি। অমরোমদসু লানগী খুৎশু-খুৎলাইশিংবু টেক্নোলোজিগী মঙম হাপখিবদগী মাঙ তাকপা থোকহন্বগী পাঙ্গল হেনগৎহনখিবনি, উতুপ পায়রম্বদগী ন্যুক্লিয়ার খুৎলায় পায়হন্দুনা মালেমগী কোক শাহল্লক্লিবনি।

অদুবু হৌখিবা চহি ২০০ মুক্কী মনুংসিদা 'টেক্নোলোজি' হায়বা ৱাহৈ অসি শিজিন্নবগী অওন্বা অহোংবা কয়া থোক্লি। ২০ শুবা চহিচাগী মমাঙদা, ৱাহৈ অসি ইংলিসতা পাম্না শিজিন্নরমদবা মরম্না কান্নরবা আর্টশিং নৈনবা তম্বদা অমসুং আর্টশিং শক্লোন তাকপদা অয়াম্বনা শিজিন্নরমখি, Massachusetts Institute of Technology নচিংবদা ৱাহৈ অসিবু টেক্লিকেল এদুকেসন ওইনা য়াম্না তোয়না শিজিন্নরম্বগী ৱাফমশিং লৈরি।

তৌবদবু , 'টেক্নোলোজি' হায়বা ৱাহৈ অসি অনিশুবা ইন্দষ্ট্রিগী য়াওল ঈহৌ লাকখিবা কুনশুবা চহিচাদা মালেমগী থাক্তা পাক-শন্না শিজিন্নরকখিবনি। Thorstein Veblen নচিংবা অমেরিকাগী সোসিয়েল সাইন্টিষ্টশিংনা কুনশুবা চহিচাগী অঙনবা শরুক্তা জর্মনগী ৱাখল্লোন হায়বদি "Technik" হায়বা অসিদগী টেক্নোলোজি ওইনা ইংলিসতা হন্দোক্তুনা ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থোক অসিদা অহোংবা খরা লৈহনখিবনি। টেক্লিক অমসুং টেক্নোলোজিগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবা অদু ইংলিস লোন্দা লৈতবগুম্না জর্মন অমসুং অতৈ য়ুরোপকী লোনশিংদা খেন্নবা লৈরকখিদ্রে, ৱাহৈ অনিমক্লা 'টেক্নোলোজি' গী চপ মান্নবা ৱাহন্থোক পীরকখ্রে।

অমেরিকাগী সোসিওলোজিষ্ট Read Bain না ইং ১৯৩৭ তা ইরম্মী, টেক্নোলোজি হায়বসিনা কোনশিল্লিবশিংদি খুৎশু-খুৎলাইশিং, মেছিনশিং, পাত্রশিং (য়ুটেনশিল্স), য়ুমগী পোৎচৈশিং, ফি-রোল, ঈ-পাউ ফাওনরিবা পাম্বৈশিং ঐখোয়না পুথোক্তুনা শিজিন্নরিবা খুৎলাইশিং অসিনি। বেনগী ৱাফোঙদোক অসি অখঙ অহৈশিংগী মরক্তা মরুওইনা সোসিয়েল সাইন্টিষ্টশিংগী মনুংদা ঙসি ফাওবা ময়াম্না খ্বাইদগী য়ানরবা অমা ওইদুনা লৈরি।

শুপচিন্না হায়রবদা টেক্নোলোজি হায়বসি খুৎশু-খুৎলায়শিং শানবগী, থবক থৌওংশিং পাঙথোক্লবগী অমসুং পোৎলমশিং ফংনবগীদমক্তা শিজিন্নরিবা লৌশিং অমসুং থৌওংশিং অদুনি, মরম অসিনা টেক্নোলোজিগী ৱাহন্দোক অসি য়াম্না পাক চাউরি অমসুং মীপুম খুদিংমক্লা ৱাহন্দোক অসি খঙজনবগী মশা-মশাগী ওইবা লম্বীশিং লৈজে। অসুম্না ঐখোয়গী নুংতিগী ওইবা পুন্সিদা তোঙান-তোঙানবা থবক থৌদোকশিং পাঙথোকপদা টেক্নোলোজি শিজিন্নরি। শম্না হায়রবদা, ঐখোয়না টেক্নোলোজিবু পোথোক, থবক থৌওং অমসুং মদু ফংনবা হোৎনরিবা থৌরাংবু খঙনরি। ঐখোয়গী তৌঙম্বা মতিক পাকথোক-চাউথোক্লবা হোৎনবদা অমসুং থৌওং অসিনা মীশক-মীওইশিং অদুবু টেক্নোলোজিগী ওইবা কাঙলোন অসিগী খ্বাইদগী মরুওইবা শরুক অমা ওইহল্লিবনি। সাইন্সগী মীৎয়েংদা হায়রবদা, মসিনা অরুবা ৱাফম প্রোব্লেম অমা ৱাখৈনবগী পাম্বৈ অমা ওইরিবনি। অসুম্না সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজি অসি তোঙান-তোঙানবা হিরমশিং ওইরবসু, মরুওইবা নত্রগা অকক্লবা থৌদাং অমা পাঙথোকপদা নত্রগা অরুবা ৱাফম (প্রোব্লেম) অমা ৱাখৈনবা হোৎনবদা অনিমক্লা খুৎশম্নবা চৎমিন্নরি হায়বসিদি লান্দ্রবা ৱাফম্নি।

অমরোমদা, ইন্নোভেসন হায়বসিদি ৱাখল্লোন অমা থবক ওন্থোকপদা নত্রগা , অনৌবা পোৎ অমা অফবা ওইহন্নবা পুথোকপদা নত্রগা, মতিক ময়াই, মমল লৈবা থৌদাং পীবদা মদুগীদমক শিজিন্নগদৌরিবা মীশক হায়বদি কষ্টমরশিংনা পীফম থোক্লিবা চাং ফংহল্লিবা থৌওং অদুবুনি। ৱাখল্লোন অমবু থবক ওন্থোকপদা অকক্লবা মথৌ তাবা অদুবুদি মায় পাকপা মওংদা ফংহন্বা অদুবুনি। শুপচীন্না হায়রবদা, ইন্নোভেসন হায়বসি হৌজিক লৈরিবা টেক্নোলোজি অসি ফগৎহন্দুনা অকক্লবা পান্দম অদু মহয় য়ালহন্বনি।

হৌজিক্কী ওইনা মালেমবু হোংহন্বা ঙম্বা অনৌবা ইন্নোভেসন ১০ অসি শিংথাবা য়াই। এম আই টি (Massachusetts Institute of Technology, US) টেক্নোলোজি রিভ্যুনা খ্বাইদগী মরুওইবা টেক্নোলোজি ওইবা ইন্নোভেসন ১০ ইং কুমজা ২০০১ দগী হৌনা চহি খুদিংগী পুথোরক্লি। মালেমবু হোংহন্বদা য়ুম্ফম ওইবা পোৎশকশিং য়েংলগা এডিটরশিংনা খনগৎলকপনি। হৌখিবা চহি (২০১৪) দা পুথোকখিবা ইন্নোভেসনশিংগী মনুংদা ঃ- Epigenetics, Wireless sensor network, grid computing, additive manufacturing, smart watches,, mobile 3-D থোইদোক্লা মীৎয়েং চিংশিন্নরি। ইন্নোভেসনগী পোথোকশিংগী মনুংদা (১) এগ্রিকলচরেল দ্রোন হায়বসি মহৈ-মরোং লায়েংবগী থৌওং ফগৎহন্নবগীদমক্তা অফবা কেমেরাশিং পানশিল্লবা এয়রক্রাফ অমনি। মমাঙথক্তা সেটিলাইট ইমেজরি শিজিন্নদুনা চথরম্বা থৌওংশিংনা পীবা ঙম্লমদবা ট্রিটমেন্ট ডেতা অদু হৌজিক্কী এগ্রি-দ্রোন অসিনা পীবা ঙম্লে। ইরিগেসন ট্রিটমেন্ট, সোইল ভেরিয়েসন অমসুং পাম্বী লায়েং থৌরাংদা মমল হন্থনা অমসুং মহয় য়ান্না পায়খৎপা ঙমহল্লে। (2) Ultra private Smartphone, (3) Brai Mapping (Mapping how brain functions), (4) Neuromorphic Chips, (5) Genome Editing, (6) Microscale 3-D Printing, (7) Mobile Collaboration, (8) Oculus Rift, (9) Agile Robot, (10) Smart wind and Solar Power অসি শীংথাবা য়াবা ইন্নোভেসনগী অথেঙবা পোথোক্লি।

### হাওবা

ইন্দিয়াগী থাক্তদি ইন্নোভেসন মঙানা ইন্দিয়াবু মথং চহি মঙাগী মনুংদা শেমদোক্কনি হায়না পান্দম তৌরি। মালেমগী মনুংদা য়ু এস অমসুং চিনাগী হেক মথংদা ইন্দিয়াগী ইন্টর্নেট শিজিন্নবা মীশিং ক্রোর ২৪.৩ য়ৌদুনা মালেমগী মনুংদা অহুমশুবা খ্বাইদগী চাওনা ইন্টর্নেট শিজিন্নবা লৈবাক ওইরক্লিবা অসি ইন্নোভেসনগী পোথোক্লি। ইন্দিয়াগী মীয়ামগী মরক্তা ইন্টর্নেটনা চঙশিনখিবদগী লৈঙাক লৈশেমগী ওইবা খোমজিন-তাশিন্বা কেম্পেন, মহৈ-শিং, লল্লোন-ইতিক অমসুংমীয়ামগী পুন্সিরোলদা অহোংবা কয়া থোকহন্বা উরক্লে। ইন্দিয়াগী মোবাইল ইন্টর্নেট দিজিটেল কম্যুনিকেসনগী (১) 4G Network অসি নোংচুপ বেঙ্গলগী কোলকতাদা এপ্রিল , ২০১২ দা থুংলখিবনি। মদুদগী হৌনা 'ফোর জি' না লৈবাক্কী মফম শীন্থুংনা শন্দোকপা ঙমখ্রে। হন্দক্কী ফেব্রুৱারী, ২০১৫ দা বেঙ্গলোরগী "Apple" না "Bharati Airtel" গা খুৎশুম্নরগা চঙশিনমিন্নখিবা অসিনা অচৌবা অমসুং মচাগী থাক খুদিংমক্তা লৈরিবা লল্লোন ইতিক তৌবশিং হায়বদি মোবাইল কম্মর্স অমসুং অন্টপ্রনর্সিপদা নত্তনা ওন লাইন মেডিয়া য়াওনা দিজিটেল কম্যুনিকেসনগী মতিক মঙম হেনগৎহন্বা ঙম্লে হায়বসিনি। (২) ফেসবুক শম্নবগী মশিং অসি এপ্রিল ৯, ২০১৫ দা ইন্দিয়াগী ওইনা ক্রোর ১০ য়ৌখ্রে। মালেমগী মনুংদা য়ু এস না মকোক ওইরগা ইন্দিয়ানা অনিশুবা ওইরি। (৩) সোসিয়েল মেডিয়ানা একাউন্টেবিলিটি, ট্রান্সপরেন্সি অমসুং মিজরমেন্টদা অচৌবা থৌদাং লৌবা ঙম্লকপসি শীংথানিংঙাইনি। (৪) 'ন্যু টু পার্সেন্ট গিভিং মেন্দেট' অসিনা কম্পেনিগী থৌদাংদা পাঙ্গল হাপ্লি। (৫) কোর্পোরেট বোর্ডদা নুপীবু শোয়দনা য়াওহন্দুনা ইন্দিয়াগী থবক শুফম 'ৱার্কফোর্স' দা নুপীগী মীশিং য়ামদ্রবদা চাদা ৩০ ওইহন্নবা হোৎনরি। নুপীবু নাৎ অমসুং খুন্নাইগী ওইনা লুচিংবা ওইহন্বদা নত্তনা লৈঙাক থৌদাগী থাক্তা ৱাংনা থাঙ্গৎপীবা, লুচিংবী ওইহন্বা অসিমক চাওখৎ-লমজেলগী অশেংবা খোঙথাংনি।

থোইদোক্লা পানবা য়াবদি, হন্দক্তা সি আই আই (কনফিদরেসন ওফ ইন্দিয়ান ইন্দষ্ট্রি) না শীল্লগা 'মেন্যুফেকচরিং ইন্নোভেসন' গী মরীদা পাঙথোকখিবা অচৌবা মীফম (কন্ফরেন্স) অমদা ইন্নোভেসন য়াওদনা ইন্দিয়াদা শাদুনা পুথোকপা পোথোক মায় পাক্লোই হায়না ফোঙদোক্লখিবা লৈখি। 'মেক ইন ইন্দিয়া' মায় পাকপা হায়বসি লৈবাকসিদা চথরিবা আর এন্দ ডি (রিছার্চ এন্দ দিভলপমেন্ট) অমসুং ইন্নোভেসন চথরিবা অমদি পুথোকপগী মখা পোল্লি হায়বসিনি। ইন্নোভেসন অমসুং আর এন্দ দি না মেন্যুফেকচরিং সেক্তর চাওখৎহন্বদা খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদাং লৌরি অমসুং মেক ইন ইন্দিয়া প্রোগ্রাম মপুং ফাহন্বা ঙমগনি হায়না এন আর দি সি (নেসনেল রিছার্চ এন্দ দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন) জি ও আই গী চিয়ারমেন অমসুং মেনেজিং দাইরেক্তর ঐচ পি পুরুশোথামনা হায়খিবনি। সি আই আই, য়ু পি ষ্টেট কাউন্সিলনা হায়খিবগুম্না, মেন্যুফেকচরিং চাউখৎপা অসি ইন্নোভেসনগী মহয়নি। অচুম্বা খুৎলাইশিং অমসুং অয়াবা পীরবা খোঙথাং মতুংইন্না শুংদুনা তোমথিন ঙাম্বা পোথোক পুথোক্কে হায়রবদি ইন্নোভেসন্না অমত্তা ঙাইবা থোঙ্গাল ওইরিবনি।

হিরমসিদা এস টি আই পি (সাইন্স টেক্নোলোজি ইন্নোভেসন পোলিসি) ২০১৩ জি ও আই অমসুং এন আর দি সি (নেসনেল রিছার্চ এন্দ দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন) না অচৌবা থৌদাং লৌদুনা চঙশিল্লি। ইন্দিয়া মশানা পুথোকচবা ইনভেন্সন টেক্নোলোজি চাওখৎহন্নবগীদমক্তা 'টেক্নোলোজি কম্মর্সিয়েল সপ্পোর্ট' পীদুনা চহি খুদিংগী 'ইন্নোভেসন ইন্দিয়া' থৌরম পাঙথোক্লিবা অসি থোইদোক্লা শীংথানিংঙাই ওইরি।

অদুবু ওন্ন-তৈনবা মায়কৈদা (লৈরিবা) চেকশিনফম থোকপদি, টেক্নোলোজি অমসুং ইন্নোভেসন্না থোকহল্লকপা খুদোংচাদবশিং অসিনি। ঈশিং অমসুং নুংশিৎ শেংহন্দবা, টেক্নোলোজিনা মহুৎ শিনখিবনা থবক ফংদবগী চাং ৱাংখৎলকপা , কোক থাদবা ৱাৎনরকপা, তোপ তোপ্পা হৈশিংবা (ক্রিয়েটিভিটি) ৱাৎলকপা, ইশানা চাংয়েং তৌজবগী চাং নেমথরকপা, মহৌশাগী লন থুম তেংনা শিজিন্নথোকপা, মথৌ তাবা শেল্লেপ (কেপিটেল) দগী হেন্না মাঙহন্বা, মীয়ামগী হকচাং শোক্লরকপা ইন্নোভেসন টেক্নোজেগী মহয়না হিংসা তৌনরকপা য়াবা অমসুং মশা-মশাগীদা য়েংবা মায়কৈদা চৎনখিবা য়াবগী ওইথোকপশিং লৈরি। চাওখৎপগী থাক ৱাংলিমখৈ ওন্ন-তৈনবা মায়কৈদা খুদোংচাদবশিং পন্দোললোম্না ৱাৎলকপগী ওইথোকপাা লৈরক্লবসু, মদুবু মশোঙ পায়দুনা লাকশীন্বা ঙমদ্রবদি অমসুং অচুম্বা ৱাখৈরোল পীবা ঙমদ্রবদি চাওখৎপগী ৱাহন্থোক ময়েক শেংনা ফংবা ওইথোক্লোই।

### লৈচোংথোং খোইরেনগী মপাও

# ইচানা পোৎ হুরান্দ্রি হায়বসি মমা মপা ওইবা পুম্নমক্লা খঙহনবা তাই

মপুনা হায়রিবমখৈ ইনবা হুইসি অশিংবনি হায়নদুনা মমল য়াম্না তাংনা লৈনৈ। হুইনাও অমদা লুপা লিশিং মঙা ফাওবদবগী মথক্তা পীদুনা মপুনা হায়বা ইনবা হুই লোইনৈ। তশেংবমক্কীদি মপুনা হায়রিবমখৈ য়াবা হুইসি অশিংবদি নত্তে। মশাগী ৱাখল শিজিন্নদদুনা মীনা হায়রিবমখৈ ইনবসি অপংবনি। হুইদগী পংলিবমখৈ মমল তাংবা হেল্লি হায়বা য়াই। অঙাংদা নিংঙাই তৌগনদবা, মবুক য়াম্না ফবা ওইদুনা তুমিন্না পংলৈদা লৈবসি পংগল্লি হায়বসু কনাগুম্বা অহলশিংনা হায়নৈ। নিংঙাই চক্রি য়াম্না কনবা অঙাংসি পীক্লিঙৈদা অশিংবা ওইদুনা মমা-মপানা নিংঙাই থেম্বা ঙমদদুনা শাউনিংবা পোকই। ইচানা পীক্লিঙৈদা নিংঙাই চক্রি কনবসি চাউরক্লগা শিংগনি হায়দুনা শাউনিংবা খাঙদুনা লৈরগা চাউরক্লবা মতমদা অশিংবা মী ওইরক্তুনা মীওইবগী ৱাখল চেল্লক্লবদি অঙাং ওইরিঙৈদা শাউনিংবা খাঙখিবদু অচুম্বনি। চাওরক্লগা শিংলিবনি হায়দুনা অঙাং ওইরিঙৈগী ৱাখলদগী ইহেন হেনগৎতদুনা অহল লমনশিংনা হায়বা ৱা তাদবমখৈ মশাগী অনিংবা অপাম্বা ঙাক্তা পাংথোক্লবা হোৎনরকপসি চহি য়ামখৎলক্তুনা অহল ওইরক্লবসু অঙাংদগী হেনগৎত্রিবা হায়বদুনি। শানা পংদুনা মীনা হায়বা ইনবদগী মমল তাংলগা মীনা শিংলগা মীনা হায়বা ইনদদুনা মীগী মমল অশুম অশুম হন্থরকপগী মতাং অমা হৌজিক্কী মতমদা য়ৌরক্লে। মতম অমদা মচানুপা য়াম্না পোকপা, কৈদা চহি অমগী চাননবা ফৌ হেন্দোক্লা লৈবা ইমুংবু অফবা অচংবা ইমুং ওইনা লৌনরম্মী। খরা লৈরগনা অঙাং য়ামদবা ইমুং, অঙাংশিং অদুনা মহৈ-মশিং নিংথিনা তমদুনা সরকারগী থবক মচা অমত্তং ফংবা ইমুংদুনা লৈকায়দুদা থোইদোক হেন্দোকপা হায়বদু ওইরকই। মথং মথং অশুম চাওখৎপগী লম্বীদা লাক্তুনা নিষা চাবা মীবু সমাজগী মায়োক্তা লৈবা ফত্তবা মী ওইনা খন্নরম্বদগী হৌজিক্তী নিষা চাববু মখল অনি থোক্লা খায়দোক্তুনা অফবা চিংবা য়াওরে। হৌরক্লিবা, মহৈ-মশিং তন্নীবা ইচানা য়ুমদা য়ু থক্লগা হল্লকপদা মমা-মপা ওইবশিংনা ঐগী ইচাদি মখোয়গী মচাদগী য়াম্না হেন্না ফরি হায়বা ৱাখলদা নুংঙাইথোকপা ঙম্লক্লে। মীরমদা লাপ্পা পাউ ওইনা তারম্বদগী লৈকায়দা গুলিগুম্বা নিষা চারগা মীগী মপোৎ হুরানবা, মদুদগী হেন্দোক্তুনা মীগী পুন্সিবু করিসু লৈতনা মাংহনবা ঙম্বা নুংশিরবা ইচা ময়াম অমা থোরক্লে। মমা-মপা ওইরিবা ঐখোয়গী তুংগী পুন্সি লম্বী নুংঙাইনা চৎপা ফংনবা শেমজরিবা ইচাশিংনা মশাখক মাংহজবদগী হেন্দোক্তুনা ইমুং মনুং তুম্না মাংবা য়াবা থৌদোক্তা ইরাই লাইনা য়াওরকপসি উরুবা তারুবা কয়াদগী ইচাশিংনা লাইরিক তম্বা হল্লকপদা য়ু ঙাওরগা য়ুম্দা চংলকপসি নুংঙাইবা ওইনা ফাওরবনি। মমা-মপাবু হাৎকদবা মচাদগীদি মমা-মপাবু মিনুংশি অমত্তা য়াওদনা হুন্দোক্তুনা থল্লবসু হাৎপীদ্রে হায়বা ৱাখলসিনা চাওথোকচনিংঙাই ওইরবা পুন্সি মহিং অমদা ঙসি ঐখোয়না হিংলকপগী মওং অমা লাকপসি মী অমনি হায়দুনা নুংঙাইবদি নত্তে। মমা-মপা ওইবশিংনা মচাগীদমক ফজবা য়ুম কৈ শারগা মচা ওইবশিংনা ইরাই লাইনা লৈকায় ময়াম হৌদুনা থুগাইখিগদবা, মৈ থাখিগদবা ওইরবদি পৈশা চংদুনা চেক্কী য়ুম শাদ্রবসু ফকনা খারগা অপিকপা ইচাশিং নোংজু থাদা নুমিদাংদা নোং চোৎতুনা নাহনবা, নিংথম থাদা ইংবদগী চাবা তুমদদুনা নাহল্লগা মদুদা হিংহৌবা ইচাশিংনা চাউরক্তুনা লৈহৌবনা হেন্না নুংঙাইবা ঐখোয়গী সমাজগী থাক অমদা লাকপসু য়ারি। মীগী থাক্তা লৈসি হায়রবদি ইচানা মীগী মপোৎ হুরানদ্রি হায়দুনা হুরানবশিংগী মমাংদা চাওথোক্কদবগী শরুক ইমুংগী পোৎ মাংবদা ইচাবু মীয়াম খঙনা দন্দি পীবা ঙম্বা মমা-মপা অমুক্তং ওইদুনা য়েংসি।

হৌজিক ওইরিবা ফিভমদা কনানা খঙদবা মওংদা মমানা মপানা মচাশিং কনখৎতুনা লৈরে। মসিদগী লম য়েনথোক্লসি হায়রকপগী মতাং অদু য়ৌরকপনা ঐগী ইংখোল শরুক মপাদু তাকপীরো উৎ হৈজিলহৌগে হায়বা মশানা মশাবু মশক খঙদনা অঙাং ওইরিবা অমনা মশাগী লম তানবগী হৈনবী অদুদি তোকপা ফরে। মসি ফাওবা খঙদবা অপিকপা ইচাশিং অদুনা চেক্কী ফক্লাং খাদবা লমদমসিদা মরৈ তৌদুনা ফক্কী শম্বল থুদেক্লবা হোৎনবা হায়বসিদি মাগী ইংখোল অদু লৈগে হায়বা মী চোংথোরকপদগী ওইবসু য়াই। অমা নত্রবসু ঐখোয়গী মাম্মনা হায়বদদি নচিন ননাও নুংশিনৌ, ৱাৎত পাদনা লৈমিন্নৌ হায়। অদুবু খৎনবা হৌবা কনানো হায়বদুদি মাম্মনসু হায়দে, ইমানসু হায়দে। মসিগী মতাংদা তাচৌ নত্তবা ইতৈমনা তাচৌদগী হেন্না শক্তিঃ পায়খিবসি ঐখোয়গী ইমানা খঙদে। খ্বাইদগী শাওনিংলিবসি ইতৈমগী মনাও ওইবী শাগৈ-জাৎ মান্নদবী য়ুমগী মৌ খরা অদুনি। হন্দক্কী ওইরিবা ফিভম অসি কদোমদগীনো খঙদবা মাম্মা অমনা শাগৈগী মৌ কাঙবুদা কাপশিল্লকপা হু অদুনা ওইবা তাই হায়না খল্লি।

ঐখোয়গী লৈকাইদা লৈবা মীয়ামগী মীফমদা য়াম্না তোয়না প্রসিদেন্ট ওইবা মাম্মদুনা হায়বদা হেক য়েংবা তারগদি ইচাশা! মৌ হল্লকপি য়েংঙুনু মখোয়গী ৱা তারুনু হায়বদুগা চপ মান্নে। অদুবু করিগীনো খঙদে মাম্মদু ইতৎ-তত্তনা ইংখোল শম্বলগী ৱাথোক্তা হেক-হেক কৌই। মদুদসু মাম্মা হাৎলু হায়বা খোল্লাও লাওরক্তবা নত্তে। মদুসু ইমানা হেক্তা থেমজিল্লি। মদুদনি নচানা পোৎ হুরানবদি লোৎশিল্লি অদুগা নচাবু কনখৎতুনা থম্বগী মরালদুদি হন্দক খঙগনি হায়বা-মরম পীদবা মাম্মগী ৱাফমদুনা হন্দক্কী বিল অহুম অদু পাস তৌরগনি হায়বগী আশা ইচিল ইনাওশিং অদুনা থম্লিব্রা নত্রগা অমুকসু নিংঙাই তৌরক্কদৌরিব্রা? ইমাবু মাম্মনা ঙম্বা তারগদি ইচিল ইনাও ওইবসিবু মথৌ তারিব্রা হায়বসি অতোনবা ইনাওদুনা হংবনি। পাউখুমসু ঐগীদি লৈতে।